# ইন্দিয়াগী এন্টি দোপিং লেবোরেটরি থিংখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না খঙনরে মদুদি শান্নরোয়শিংনা মশা-মশাগী মপাঙ্গল মথৌনা হেনগৎনবা চৎনবীগী ৱাংমদা, আইন্না য়াদবা অথিংবা হীদাক শীজিন্নবা য়াদে হায়বসি। অসিগুম্বা হীদাক চাদুনা মশাগী পাঙ্গল-শক্তি হেনগৎহনবা অসিবু ঐখোয়না দোপিং হায়না খঙনরি। শান্নরোয়শিংনা দোপিং তৌদুনা শান্নবদা শরুক য়াবা অসি মালেমগী চৎনবীগী ৱাংমদনি। মরম অদুনা মখোয়বু চৈরাক পী। শান্নরোয় অমনা দোপিং তৌবগী ফারবদি মহাকপু শান্নবদা শরুক য়াহন্দে। মহাক্কী মথক্তা অথিংবা থম্মী। মহাক্না শীজিন্নরিবা হীদাক অদুগী মতুংইন্না মহাক্কী অথিংবগী চাং অদু লেপ্পী। করিগুম্বদা শক্তি য়াম্না হেনবা হীদাক শীজিন্নরবদি শান্নরোয় অদুগী অথিংবগী মতম শাংই। শান্নরোয় অদুগী মপাঙ্গল মথৌনা য়াম্না হেন্না হাপ্পা ঙম্লোইদবা হীদাক শীজিন্নবা মতমদা মহাক্কী মরাল অদু খরা হন্থগনি। অসিগুম্বা মশাগী তৌবা ঙম্বা মপাঙ্গল মথৌনা, লমজেলদা হেন্না য়াঙনা চেনবা ঙম্নবা, নূং হুনবা, তা হুনবদা হেন্না লাপ্না হুনবা ঙম্নবা, চেঞ্জোং মাঙজোংদা অমদি ৱাংনা চোঙবদা হেন্না চোঙবা ঙম্নবা, ইরোইবদা মপাঙ্গল মথৌনা হেন্না লৈনবা, অরূম্বা থাঙ্গৎপশিংনা মপাঙ্গল হেন্না কনখৎনবা, ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা মিনট ৯০ শান্নবদা দম হেন্না লৈনবা, মপাঙ্গল কনখৎনবা অমদি লমজেল য়াঙনবা হীদাকশিং মালেমগী মফমশিংদা শীজিন্নরি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (দব্লিয়ু এ দি এ) হায়না খঙনবা অসিনা মালেমদা দোপিং তৌবদা অথিংবা থম্নবা দোপিংগী মায়োক্তা লৈবা মালেমগী লৈবাকশিংনা শেম্বা লূপনি। ইন্দিয়াসু দব্লিয়ু এ দি এগী মেম্বর অমনি। শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা য়াদবা হীদাকশিংগী মমিং দব্লিয়ু এ দি এনা চহীগী ওইনা ফোঙই। হায়রিবা মালেমগী দোপিং তৌরিবা থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা থৌওং অসি চথবদা অথিংবা পীনবা অমদি দোপিং তৌবশিংবু মশক খঙদোক্তুনা মখোয়বু চৈরাক পীনবা শেমখিবা দব্লিয়ু এ দি এনা ইন্দিয়াগী দোপিং তৌবগী চাংয়েং তৌনবগী লেবোরেটরি অসি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা থম্বা ঙমদবদগী (দব্লিয়ু এ দি এনা) থা তরুক সস্পেন্দ তৌখ্রে। মসিদা লৈরিবা খুন্নাইশিং অসি মতমগা চান্নদ্রে, মসি চহী অসিগী মে থাদা দব্লিয়ু এ দি এগী লেবোরেটরি এক্সপার্টশিং লাকপদগী খঙবা ঙমখিবনি।

চৎলিবা ওগষ্ট থা অসিগী তাং ২০দগী সস্পেন্সন অসি থমখিবা মরম্না লৈবাক অসিগী নেসনল দোপিং টেষ্টিং লেবোরেটরিনা এন্টি দোপিংগা মরী লৈনবা থবক অমত্তা পাঙথোকপা মথৌ তাদ্রে।






মরম অসিনা দোপিং তৌবগী হক্কী ঈশিং (য়ুরিন) অমসুং হকচাংগী ঈ (ব্লদ) গী সেম্পলশিং অদু চাংয়েং তৌবা পূম্নমক লেপহনখ্রে। সস্পেন্সনগী মতম অসিদা ইন্দিয়াগী দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি অসিদা সেম্পল অমত্তা এনালাইজ তৌহল্লোই।

চেরোল অমনা অসুম্না হায় মদুদি সস্পেন্সনগী মতমদা নেসনল দোপিং টেষ্টিং লেবোরেটরি (এন দি টি এল) না হৌজিক ফাওবা এনালাইজ তৌদ্রিবা, হৌজিক হৌজিক এনালাইজ তৌরবা অদুবু হীদাক চায়-চাদে হায়বা তশেংনা খঙদোক্লবা (কনফার্ম তৌনবা) থবক লৌখৎলিবা, এনালাইজ তৌবদা ফংখিবা ফলশিং হায়বদি রিজল্টশিং অদু অতোপ্পা দব্লিয়ু এ দি এগী মখাদা লৈবা দব্লিয়ু এ দি এনা অয়াবা পীবা লেবোরেটরি অমদা শীন্নখিগদবনি। মসিগী মরমদি সেম্পলশিং অদু এনালাইজ তৌবদা অশেংবা খঙদোক্লবনি। হায় ক্বালিটি লৈবা লেবোরেটরিদা হক্কী ঈশিং চাংয়েং তৌবা অসিনা শান্নরোয়শিংদা থাজবা অমা পোকই, মসিদা অরানবা অমত্তা য়াওগনদে। ৱাথোক অসিগী মতাংদা নেসনল দোপিং টেষ্টিং লেবোরেটরি (এন দি টি এল) না কোর্ট ওফ আর্বিত্রেসন ফোর স্পোর্টস অশন্বীদা সী এ এস হায়না খঙনবা শান্নবদা খৎন-চৈনবা অমদি ৱাথোকশিংবু শ৹ দাইননবা অমদি ৱায়েল থৌদা তৌনবা মালেমগী ৱায়েলশঙ অসিদা নুমিৎ ২১নিগী মনুংদা ৱাকৎপা য়াই। অদুবু ইন্দিয়াগী দোপিং টেষ্টিং লেবোরেটরিনা দব্লিয়ু এ দি এগী লেবোরেটরি এক্সপার্ট গ্রুপকী দরকার ওইবা শরুকশিং অদু থা ৬কী মনুংদা মেনখৎপা ঙম্লবদি লূপ অসিবু অমুক লৌখৎপীনবা হায়জবা য়ারে।

অদুবু দব্লিয়ু এ দি এনা হায়খিবা মতুংইন্না থা ৬কী মনুংদা থবকশিং অসি পাঙথোক্ত্রবদি মখা তাবা থা তরুক অমুক অথিংবা অসি চথগনি। ইন্দিয়াগী নেসনল দোপিং টেষ্টিং লেবোরেটরি অসিবু সস্পেন্দ তৌবগী মতাং অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস সেক্রেটরি রাধেশ্যাম জুলানানিয়ানা য়াখিদে। মহাক্লো হায়বদি ৱারেপ অসি সেপ্টেম্বর, ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ইন্সপেক্সন রিপোর্ট অদুগা মরী লৈনবনি। অদুবু হৌজিক্তি অৱাৎপা পূম্নমক মেনশিল্লবা মতুংদা ৱারোলশিং অসি লাকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদি 'দব্লিয়ু এ দি এ' না য়ানীংদবা হীরম ৪৭ পীরম্মী। মসিগী মনুংদা ৪৩ দি মখোয়গী অপেনবা লৈখ্রে। লেমহৌরিবা মরি অদুসু মপূং ফানবা কন্না হোৎনরি। স্পোর্টস সেক্রেটরি অসিনা অসুম্নসু হায়রি মদুদি ইন্দিয়ানা চহী অমদা শান্নরোয় লিশীং ৩ টেষ্ট তৌগদবনি মদু ঐখোয়না তৌখ্রে। অদুবু হক্কী ঈশিং অমদি ঈগী সেম্পলশিং অদু মপান লৈবাক্তা থাগদবনি। অতোপ্পা লৈবাক্তা লৈবা লেবোরেটরিশিংদা টেষ্ট তৌরনি। মসিগীদমক শেল য়াম্না তিংই। ইন্দিয়াদা টেষ্ট তৌবদি চাদা ২৫ হন্থে। লৈঙাক্লা শেল য়াম্না তিংগদবা মরম্না ইন্দিয়াগী মথৌ তাবা হেন্না চিংনবা শান্নরোয় খক্তগী সেম্পল খক্তমক দোপিং তৌব্রা তৌদব্রা খঙনবা থাখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী স্পোর্টস সেক্রেটরি অসিনা অসুম্না হায়রি, "ঐখোয়দা মখোয়না (এন্টি দোপিং এজেন্সি) পীরকপা ফল (রিজল্ট) অদু য়ানীংদ্রদুনা প্রোটেষ্ট তৌরবদি মখোয়না মমাঙদা হান্না লৈখিবা রেকোর্দ মখৈ পীখৎলকউ হায়, রেকোর্দ অদু ফোর্মেট অমদা থাগদবনি। মদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চাওরাক্লা থা ৩/৪ চংই। অদুবু ঐখোয়না চয়োল অনীদা লোইশিল্লি।"

মহাক্লা মখা তানা হায়খি মদুদি ঐখোয়না দব্লিয়ু এ দি এগী অশিন অরাং তৌবশিংদা টিম অমা ইন্সপেক্সন তৌনবা থারক্লবা হায়জবা তাবনি। মদুনা আপিল তৌবগী অতেনবা লম্বী অমা শেমগনি। মদু ওইরবদি চয়োল অনীদা ৱারেপ লৌবা ঙমগনি। ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. নারিন্দর বত্রনা ৱাফম অদু নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সি (এন এ দি এ) দা তায়নরি, মহাক্লা কিরিবদি থবক অদুদা চঙগদবা শেনফম অদু কনানা পুথোক্কদৌরিবনো হায়বা অসিনি।

শান্নরোয়শিংনা দোপিং তৌবা অসিগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বগী লম্বী কয়ামুক পুথোক্লবসু মপুকচেল শেংদবা শান্নরোয়, মখোয়গী ওজা, কোচ অমদি মপা-মমা য়াওনা মচা-মনাও অমসুং তুংইনবশিংবু দোপিং তৌহন্দুনা শামান লেংমান্নবশিংগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্তুনা মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনরিবা অসি মায়কৈ কয়াদগী অথিংবা থম্না থম্না অনৌ অনৌবা মখলগী হীদাক কয়ামুক পুথোক্তুনা হীদাক শুংবা কম্পেনিশিংনা মখোয়গী এজেন্টশিং থাদুনা শান্নরোয়শিংদা হীদাকশিং অসি পীজবা অরেপ্পা লৈতনা চথনরি।

শান্ন-খোৎনবদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা দোপিং তৌবা অসি অনৌবা থবক অমা নত্তে। মমাঙঙৈদা গ্রীসতা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবা মতমদা শান্নরোয়শিংনা চেঙগুম ফুৎলগা মহী অদু থক্লরম্মী। কুমজা ১৯০৪দা সেইন্ট লুইদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী মরাথোন লমজেলদা মকোক ওইখিবা থোমাস হিকসনা মশা চোকথদুনা চেনবা ঙম্লক্তবা মতমদা স্ত্রাইচনিন অমসুং ব্রান্দি পীথক্তুনা মশা অদু মরক মরক্তা তেকখৎহল্লম্মী। কুমজা ১৯৬০দা রোমদা পাঙথোকখিবা সাইকল রোদ রেসতা দেনমার্ক মচা কনট ইনেমার্কনা এমফেটামিন অমসুং নিকোটিনায়ল তারত্রেট কৌবা হীদাক চাশিন্দুনা শরুক য়ারুবদগী লমথুংফম হেক য়ৌবগা লৈখিদে, শিখি। অমেরিকাগী বালকো কম্পেনিনা মখোয়না নৌনা পুথোকপা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনদি মখোয়না পুথোক্লিবা হীদাক অদুগী ময়ানশিং অদুদি অথিংবা থম্বা হীদাক অদু লৈবাক অদুগী কুচু মুবী মেরিওন জোন্সদা পীজদুনা মহাক্লা সিদনি ওলিম্পিক ২০০০দা ফংখিবা মেদল মঙামক ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা অমুক লৌশিনখি। মহাক্কী মমিং ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ বুক্তগী মুথৎখি। ●

# স্কুল ফগৎহনসি মিসন : করিক্যুলম অমসুং ষ্টেম এদ্যুকেসন য়াওহনসি - ২

- খাঙেম্বম প্রোমিলা -

ষ্টেমগা চুশিন্নবা হীরম শুনা য়াওরবা করিক্যুলম অসিনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মহৈরোয় পূম্নমক্লা মখোয়গী এদ্যুকেসনল করিয়রদা মেথমেটিক্স, সাইন্স - টেক্নোলোজি নৈনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্নরক্লি। ষ্টেমগগা চুশিন্নবা করিক্যুলমসি মহৈ লোইশঙশিংদা চৎনবা হায়বসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈরোয় খুদিংমক্লা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনচিংবা হীরম কয়াদা পূক্নিং চিংশিনবা অমসুং খঙনীংবগী অপাম্বা ৱাখলদু ফাওহনগনি। লোয়ননা মহৈরোয় অমগী নৌরিঙৈ পুন্সিদগী হৌনা মখোয়গী মকোক্তা লৌশিংগী মৈরা চুখৎতুনা ফুরুপ অসিগী সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি, ইন্দষ্ট্রিদা মমল নাইদ্রবা অচৌবা খুদোল তৌবা ঙমগনি নীংই। অদুগা অমরোমদা, অফবা মহৈ লোইশঙ অমগীদমক্তদি নৌনা পাম্নরক্লিবা ষ্টেম এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা সবজেক্টশিংদা মপূং ফাবা লৌশিং লৈরবা ওজাগী মশীং চপ চানা লৈবসু য়াম্না মরুওই। কনাগুম্বা অমনা ওজাগী শিনফমদা থৱায় য়াওরবদি অসুম্না ষ্টেমগা মরী লৈনবা সবজেক্টশিং অসি নৈনরুরগা চপ চাবা লৌশিং ফংলবদি মহাক অদু মহৈ লোইশঙ অমদি মহৈ তম্ফমশঙ অদুগী য়াম্না মরুওইবা এসেট (লন) ওইগদৌরিবনি।

ষ্টেম এদ্যুকেসন্না লাইরিক-লাইশু তম্বী-তাকপীবগী অহানবা খূৎ থাবদগী হৌনা হায়বদি ইলিমেন্টরি স্কুলগী থাক্তগী হৌনা মীৎয়েং থম্বা হৌরে। ষ্টেম্না ষ্টেমগী ফিল্ড অমসুং শিনফম্বু পূন্না খঙজিনমিন্নবগী মায়কৈ তাক্লি। মসিগী অহৌবা খোঙথাং অসিনা ষ্টেমগী মনুং চল্লিবা সবজেক্টশিংগী মনুংদা সবজেক্ট মরি হায়বদি - সাইন্স, টেক্নোলোজি, এঞ্জিনিয়ারিং অমসুং মেথমেটিক্সকা মরী শমজিন্নদুনা লাইরিক লাইশু তম্বী-তাকপীবগী থবক ৱাংখৎহন্নবা অমসুং মালেমদা থোক্লিবা অরুবা হীরম কয়াগী লায়না-তীলনা, মহৌশাগী খল কায়রকপনচিংবগী অফবা ৱারোইশিন পুরকপগী লিচিং ৱাখল্লোন্দু পীরি। অসিগুম্বা লিচিং অসিনা মহৈরোয়শিংবু ষ্টেম এদ্যুকেসনবু পামহনবদা পূক্নিং থৌগৎলি। মহৈ লোইশঙ অমসুং মহৈ তম্ফমগী অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী ফীভম অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীবু ষ্টেম নৈনবদগী য়াম্না কান্নরবা অফবা শক্তম অমা শেমগৎপা ঙমগনি।

মিদল স্কুলগী থাক অসিদা সবজেক্টশিংগী নৈনগদবা মওং অসিগী চপ চাবা মগুনগী ঈচেল অমসুং শিংনবা কয়া লৈরি। মহৈরোয়শিংনা ষ্টেমগী লম্দা অমসুং মথৌ তাবা একাদেমিক্কী লম্দসু লেপ্তুনা খঙজিনমিন্নবা অসিসু অমনি। মহৈরোয়শিংনা ষ্টেমগী মরমদা হেন্না খঙজিন্নবা হোৎনবা থৌরাংগা লোয়ননা মখোয়গী তুংদা ওইরক্কদবা পুন্সি খনবসু হৌরে।

হায় স্কুল ফাওবগী থাক্তা অনৌবা তম্বী-তাকপীবগী থৌওং অমসুং ষ্টেমগী মনুং চল্লিবা সবজেক্টশিং অসিবু নৈনবগী থৌরাং অসিনা মীওইবগী পুন্সিদা অমদি অকোয়বগী শিংনবা কয়াবু হায়বদি মহৌশাগী খল কায়রকপগী চৈথেং - ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং গ্লোবল ৱার্মিং, ঈশিং-ঈকং-ঈচাও, ওসিন এসিদিফিকেসন্নচিংববু কোকহন্নবা পাম্বৈ থিননবগী শিন্তাক-শিন্দম্বগা লোয়ননা সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগী মতুংদা পুন্সিগী ওইনা শিনফম খনবা অমসুং থবক পীবদা অচৌবা মীৎয়েং থম্লি। য়াম্না শম্না হায়রবদা - করিক্যুলম অমসুং সিলেবসতা ষ্টেমগী শরুক হাপচিনবসিনা মহৈরোয় কয়াগী পূক্নিং চিংশিনবা অমসুং পূক্নিং থৌগৎপা ঙম্লি হায়বসিনি।

ইন্দিয়া অসি মালেমগী মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী মনুংদা তপ্না তপ্না খোঙ থাংজিল্লক্লিবা লৈবাক অমনি। হেনগৎলক্লিবা শক্তিসিদা মায়োক্লরিবা খ্বাইদগী চাউবা শিংনবদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা নহারোলদা মপূং ফাবা বিজ্ঞানগী ওইবা এদ্যুকেসন পীবনি। অদুবু মশীং য়াম্লবা লৈবাক অসিগী মীওই কয়াদি শেল-থুমগী ফীভম চাদনা হিংলি।

অসিগুম্বা মওং চাদ্রবা ফীভম অসিদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী খোঙকাপ লাউনা থাংনবা মহৈ লোইশঙ কয়াগী ফীভম শেমগৎনবা হোৎনবা হায়সিসু ইন্দিয়াগী অচৌবা শিংনবা অমনি। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং পায়খৎপগী মথক্তা থবক ফংদ্রিবা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংদা থবক পীননবগীদমক, চাওখৎপগী খোঙজেল হেন্না য়াঙখৎলক্লবগীদমক ষ্টেমগা মরী লৈনবা করিক্যুলম শেম্নবা হোৎনবা অসিসু অচৌবা শিংনবা অমা ওইরি।

কুমজা ১৯৪৭তা ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগী সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা হেন্না পূক্নিং চঙদুনা লাক্লি। মসিগী মহয় ওইনা আই আই টি, আই আই সাইন্স অমসুং এ আই আই এম এস অসিনচিংবা মশক নাইরবা এঞ্জিনিয়ারিং অমসুং টেক্নোলোজিগী মহৈ লোইশঙ অমসুং তম্ফম কয়া পোক্লকখিবনি। হায়রিবা মহৈ লোইশঙশিং অসিনা সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নিকেল মেনপৱার শেমগৎনবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী অচৌবা ইন্দষ্ট্রিশিংদা মথৌ তাবা খুদিংমক পীরি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংগী অকক্লবা চহী কাঙলূপ, টেক্সবুক্তা হেন্না মীৎয়েং থম্বা অমসুং লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী মরক্তা অমগা অমগা কৃক-কৃক হিদান্নবসিনা মীং চনবা মতমদা পোথাফম খঙদবা অৱাবা অমদি মায়োক্লরি। অদুবু ষ্টেম এদ্যুকেসন সিষ্টেম্না ইন্দিয়াদা অমদি মণিপুরদা চপ চানা চৎনবা ঙম্বা থোক্লবদি স্কুলগী থাক্তগী হৌনা বিজ্ঞানগী লম্দা মপূং ফাবা লৌশিং লৈরবা মহৈরোয়শিং খঙদোকপা ঙমগনি; তুংদা থিজিন-হুমজিনবদা, হীরম কয়াদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক কয়া পায়খৎপা ঙমগনি অমদি মহৈরোয়শিংদুগী হৈনবী অমসুং অশোনবা মফমশিং খঙদোকপদসু লায়গনি। মিদল স্কুলদগীনা হায় স্কুল ফাওবগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংবু অনৌবা হীরম কয়াদা মতৌ করম্না থিজিন হুমজিনবগী থবক তৌগদগে হায়বগী তম্বী-তাকপীবগী খুদোংচাবসু ফংহনবা মথৌ তারি। রিছার্স আউটপুট অমসুং রিছার্স অমদি দিভলপমেন্ট ইনভেষ্টমেন্টকী লম্দা মালেমগী থাক্তা খ্বাইদগী মকোক থোংনা চৎলিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মায় পাকপগী ৱারী ইন্দিয়া অমদি মণিপুরনা খঙজিনবা য়াম্না কান্নগনি।

থা অসিগী ১৭তা মণিপুরদা লৈরিবা খনগৎলবা স্কুল ৬০দা 'স্কুল ফগৎহনসি মিসন' পাঙথোকপসিনা স্কুলশিং অদুবু কয়া য়াম্না ফগৎহনবা ঙমগদৌরি? মহৈরোয়শিংদা কয়া য়াম্না কান্নবা পীবা ঙমগদৌরি? মতম কয়া শাংনা চৎনবা ঙমগদগে হায়বনচিংবা ৱাহং হংনরক্লি।

অইবনা মতাংসিদা ষ্টেম এদ্যুকেসন্দা হেন্না পূক্নিং চিংশিনজরগসু এদ্যুকেসন পোলিসি, টিচিং মেথোদোলোজি অমসুং টেক্নিক্তি ঙাইহাক লৈতনা হোংলি। মমাঙঙৈগী লাইরিক মতম্বী - ব্লেকবোর্দ মমাঙদা ওজা অমনা চোক অমা পায়রগা লেপ্পগী মতমদু লোইখ্রে। মল্টিমেদিয়া ইন ক্লাসরুম নৌনা হাপচিল্লক্লি। মরুওইনা সাইন্স তম্বীনবগীদমক - 'দিজাইন লিটরেসি ফোর ইফেক্টিব সাইন্স কম্ম্যুনিকেসন বাই এদ্যুকেটরস' হায়বসিগী মসা কয়া হাপচিল্লক্লি। মখোয়শিং অদুদি -

- ন্যু এন্দ ইমর্জিং মেদিয়া ফোর ইফেক্টিভ সাইন্স লর্নিং।
- ত্রানজিসন টু ষ্টেম (STEM) এদ্যুকেসন
- সাইন্স কম্মুনিকেসন ফোর ওল
- সাইন্স লর্নিং ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট
- ইন্নোভেসন ইন সাইন্স কম্মুনিকেসন হায়বনচিংবনি।

স্কুল ফগৎহনসি মিসন্দা মথক্কী মচাশিংসি কয়া য়াম্না য়াওরবগে? খ্বাইদগী লুরিবদি - জুলাই ২৫দা 'গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা মেত্রিক পাস তৌদবা মীওই ৭৬ ওজা ওইবা য়াওরম্লে' হায়না কন্ত্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমা ফোঙদোরকপসিনি। ওদিট রিপোর্ট অসি শেম শাবদা গভর্ণমেন্টকী ওজা ৭৬তি অন্দর মেত্রিকনি। ওজা ১,৬৬৪না ক্লাস টেন খক্তমক ওই অমসুং ওজা ২,৯৩০না ক্লাস টেন প্লস টুনি। হায়রিবা ওজশিং অসি নোটিফিকেসনগী মতুংসন্না অহেনবা ক্বালিফিকেসনসু য়াওদে হায়রি। অপূনবা ওজা ৪,৬৭০দি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা পীরিবা গাইদ লাইনগী তঙাইফদবা ক্বালিফিকেসন শুদবা ঙাক্তা ওইরম্লে হায়রি।

মতাংসিদা ফাগিদি তারবা অচুম্বা ৱারী অমা - 'বোম লংশিনগনবা নহারোল লৈবসে ওস্থোক্লা কান্নখ্রেদা' হায়বদু নীংশিংলকই। হিন্দি খঙদবা মীনা হিন্দিগী ওজা ওইবগী ৱারীনি। লৈকায়গা নক্লনা লৈবা স্কুলনি। নোংমা ওজা ওইবসু কুইদ্রিবা ওজা অমনা মাগী ক্লাসতা হিন্দি তাকই। পাবদি খরা - খরা হৈ অদুগা ৱাহস্থোক্তি খঙদে।

অঙাংশিংনা - ৱাহস্থোক্কা লোয়ননা হিন্দি তাকপীয়ু হায়জরকই।

ওজানা - কোন্না তাক্কে খুম্লকই।

ৱাহস্থোক্কা লোয়ননা হিন্দি তাক্তবগী ক্লাসতু ঙাইহাক লাংলমই। তাঞ্জাদুদা দঙ লাউবা অহৌবা মখোল অমা তাই। 'বোম পোক-খায়রে' হায়দুনা লাউনরকই; স্কুলগা থংনবা য়ূমদুদা বোম পোক-খায়বা জাৎনি।

ওজানা হায়রকই - অঙাংশা বোম পোকখায়রে, কিজদ্রা?

অঙাংশিংনা - কিজৈ ওজা হায়রগা তুমিন-তুমিন লৈনৈ।

ওজাদুনা মচিন্দা তুমিন্না শোল্লি - মীগী য়ূমদা শেলগী দিমান্দ তৌবা, বোম লংশিনগনবা শকখঙদবা নহারোল লৈবসিসু ওস্থোক্লা কান্নখ্রেদা।

স্কুল ফগৎহনসি মিসন পোকখায়রগা লোইশিনগদৌরিব্রা? য়েংশিনমিন্নসি, মাগী খোঙচৎ। ●


# IIBIT
## Indian Institute of Banking and Information Technology

A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.

- **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
- **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
- **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.

Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.

**Salary - 10,000 - 27,000/-**




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297
HL-B/5582/30/7-29/8


## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ অসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরনি। নীংশিংগদবা ময়ামগী মনুংদা 'ময়াংখাং' দা মেলভিন সাহেবপু হাৎখিবা চিরাই নাগাসু অমনি।
(ক) 'ময়াংখাং' কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো?
(খ) ময়াংখাং অসি মতমদুদা করম্বা নাগা ত্রাইবকী সব-দিবিজন্নো?

২। "জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানতবু নত্তে, হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থমোয়নি।" ৱাফমসি মহাকবিনা হায়রম্বনি। মাগী করম্বা লাইরিক্তা হায়রম্বনো?

৩। "নহাকপু নাউশুম ঈশৈ/শক্লা শক্লা ঐনা/...শুম্লক্লিবা করম্না নহাক্লা ঐবু।" ৱাহৈশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অমম্বা মপৈ মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবী অমনা 'মঙগী মচুশিং' কৌবা লাইরিক্তুগী শৈরেং অমদা হায়রিবনি। অইবীদু কনানো?

৫। "মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙায়রে/পাঙ্গল য়াওদ্রে মীপাল তাংলে/চহী তৎলে খোংবা ঙমদ্রে।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।